ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯰, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯷ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১০, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২৪৭ শুবা মশীং

# হ্যুমেন রাইট্স দে

## মীওৎ-মীনৈগী অৱাবা খাংলকপা কুইরে

*মালেমগী* অনীশুবা লাঞ্জাওদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌদোক-ৱাথোক পীক থন্না থোরকপা অমসুং মতু শোনবশিংবু অকনবশিংনা নৈহৎপীবগী চৈথেং ফংলবশিংনা মখোয়গী হিংবগী হককী দিমান্দ লাকপদগী তঙায়ফদনা ইং ১৯৪৮ দা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা তোঙান তোঙানবা মীফম ফম্লবা তুংদা চহী অসিমক্কী দিসেম্বর তাং ১০ দা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেশন ওভ হ্যুমেন রাইট্সকী ৱারম ৩০ চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌখি। শীংথানীংঙাই ওইরবা দিক্লারেশন অদুবু নীংশিংবা অমসুং মতম চূপ্পগী ওইনা ঙাক্তুনা থম্ন বগী পান্দমদা চহী খূদিংগী ওইনা দিসেম্বর ১০ দা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ইন্টরনেশনেল হ্যুমেন রাইট্স দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঙসি দিসেম্বরগী তাং ১০ নি। নুমিৎসিদা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌনরিবা অসিগুম্না মণিপুরদসু তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশন কয়ানা মালেমগী মীওইবগী হক ঙাকপা নুমিৎ (ইন্টরনেশনেল হ্যুমেন রাইট্স দে) গী পিছ ফ্রোম হোম টু পিছ এট হোম : ‘‘লেট এদ্যুকেসন সেফ ফোর ওল’’ হায়বা থীমদা থৌরম পাঙথোক্লগদৌরি। ইন্টরনেশনেল হ্যুমেন রাইট্স দে হেক পল্লকপদা ঐখোয় পূম্নমক্না মীনা মীদা চথুবা মীওৎ-মীনৈ খক্তমক য়েংবগী মীৎয়েং অসিদি লাল্লি। মালেমগী ওইবা ৱাফমদি মীওইবগী হক ঙাকপা খক্তা নত্তে। মসিদি লায়রবা কোকহনবা অমসুং মখোয়দা শক্তি পীবা অমদি রাজনীতিগী থোং মান্নবা ফীভম অমদা পুখত্তুনা চাওখৎমিন্নবা হায়বসিসু য়াওরি। অসিগুম্বা মীওইবগী হক হেক পল্লকপদা নিং-খা তম্বা, অচুম্বা অমসুং মালেমদা শান্তি পুরকপা হায়বসি শাগোন্নরগা চৎমিন্নে হায়বসু ঐখোয় পূম্নমক্না খঙমিন্নবসু তঙাই ফদবা লৈ। মশাগী কলচর, লাইনীং-লীচৎ অমসুং হিংবগী হক হায়বা অহুম অসিবু ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি নীংতম্বা পুন্সিরোল অমদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদবা পোৎচংশিংনি।

ময়াম অসিগী মনুংদা অমখক নমথবিবদা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনরে। মরম অদুনা তোখায় তাননবগী নীংতম-লান হৌরিবশিংনা মীৎয়েং অহুম অসি ঐখোয়গী মাঙদা থম্লগা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা হায়বসি তঙাই ফদবা লৈ। মদু নত্তনা য়ুনিভর্সেল দিক্লারেশন ওফ হ্যুমেন রাইট্স হায়না মচীন্দা পল্লগা তৌথোরকপা থবক্লা লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী খাঙবা ঙম্বগী পনখৈগী ৱাংমদা থবক চথুরক্লবদি মদুনা হেন্না মীওইবগী হক মাঙহনবা তারক্কনি। মসিমক মণিপুরদা নুমিৎ খূদিংগী থোক্লি। মীওইবগী হক ঙাক্কনি, মান্নবা খুন্নাই পুরক্কনি হায়রগা মীয়াম্না য়ানীংলোইদবা মওংদা বোমবু অচাপোৎকুম মীগী যূমদা ঙাইহাক লৈতনা লংশিল্লগা অকি-তুজুংবা পীবগী মওং অসি য়ুনিভর্সেল দিক্লারেশন ওফ হ্যুমেন রাইট্সকী মীৎয়েংদা য়েংলবদি নীংথি নুংঙাইবা ৱাহৈ হায়রক্কনি নীংদে। মরম অদুনা নীংতম্বগী হকক মীওইবগী হিংবগী হকক মরী লৈনজরবসু মীয়ামগী হিংবগী হক মৎতনবা হোৎনবা লূপ অদুখক্তমক মালেমগী লৈবাকশিংনা মশক খঙগনি অমসুং মতেং পাংলক্কনি। মদু নত্তবশিংদি টেরোরিষ্টনি হায়না লাউথোরকপদা কনা’মত্তনা য়েৎপীননবা লৈরোই। ঙসি মণিপুরদসু লূপ কয়ানা শীন্দুনা ইন্টরনেশনেল হ্যুমেন রাইট্স দেগী থৌরম পাঙথোক্লুরি। খূৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা মুক্লবা লৈবা মণিপুরদদি অসিগুম্বা নুমিৎ অসি য়াম্না মরু ওই। লালহৌবা নমথনবগী মিংদা গভর্ণমেন্টনা মতিক ময়ায় লৈরবা মখোয়গী লান্মী কয়ামরুম থাজিল্লক্লি। শক-চু মান্নদবা, লোন তিন্নদবা লান্মীশিংনা ৱাখল থেনবদগী মণিপুরদা লৈবা মীপূম খূদিংমক অমগা অমগা চপ মান্ননা উদুনা লালহৌবা ঙাক্তা ওইরবোই নীংই। মখোয়দা খূৎলায় পায়বশিংনা এটেক হেক তৌরকপদা মনাক অনকপদা লৈবা মীয়াম্না চেন্নরিবসিগী মরমসু মসিনি। মসিদসু নত্তনা ফারবা মীওই কয়া ৱায়েল চথুদনা হাত্তোকপি। অরোয়বদা পঞ্জনীংবদি ইন্দিয়াসু য়ুনিভর্সেল দিক্লারেশন ওভ হ্যুমেন রাইট্স ঙাক্কনি হায়না সহি তৌখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈবাক অসিগী লান্মীনা ঙাইহাক লৈতনা মীওৎ-মীনৈ চথুরিবা, মীবু ফারগা হাৎপগী থৌশিল অসি লেপ্পনবা মরী লৈনবশিংদা অচেৎপা পাউতাক পীগদবনি। মদু নৎত্রবদি কৈদৌঙৈদসু মণিপুরগী মীয়াম্না ইন্দিয়াগী মীওই অমনি হায়বা য়ানীংগনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৫

১। ‘‘থাখুমফিনা য়োম্বহে/...নিরে নিনা পীদহে/মুন্না মুন্না চাবহে।’’ ৱাহৈ পরেংশিংসি কবি কনানা হায়রম্বনো?

২। ‘‘চীকখায়য়ু কুরাককুম/য়োমশিল্লিবা কুয়োম/শকখঙনরো/অহাঙবা নোংদোলগা।’’ ৱাহৈ পরেংশিংসি কবি নুপী কনানা হায়বনো?

৩। ‘‘ঐ লৈতে হায়য়ু’’ শৈরেংগী লাইরিক অসিগী অইবদু কনানো?

৪। ভীষ্ম সহানীগী ‘তমস’ উপন্যাস মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫। ‘কারবার’ দ্রামাগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৬, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | *তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়* | *(৫)* |
| ২। | কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৩। | সী ঐচ সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৪ গী ৱিন্নর**

*তোংব্রম জিবোন সিংহ, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়*

(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

দিসেম্বর ১৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪ গী পাউখুম

১। রাজকুমার মনি করি লাইরিক্তা একাদেমি এৱার্দ ফংখিবগে?
ঃ- ‘ময়াই কারবা শামু’

২। কবি লনচেনবা মীতৈনা দ্রামা অমখক ইখ্রে। মমিংদু করি কৌই ?
ঃ- ‘শাবন য়ূম্ফম’

৩। ‘শোল্লবা মরী’ ৱারীমচা অসিগী অইবীদু কনানো ?
ঃ- ‘নী দেবী’

৪। গান্ধীজীগী 'My experiment with Truth' পু মীতৈলোন্দা হন্দোকপা হন্দোক্লোইদু কনানো? ঃ- খাইদেম নবকুমার সিংহ

৫। ‘শুনুগী মহাও’ দ্রামা ইবা অইবদু কনানো?
ঃ- সুধীর নাওরোইবম

# ইশা ইশা ৱাখল চোইরক্তনবা লাক্লরসি

## ৱাইরু ৱাইরুবদা

**হোঙবা**



*ঐগী* মরুপ অমনা ঐগী অৱাবা উবীদনা লুপা লিশীং অনী চৎপী অমগী অচোইবা পীবিরক্লমদ্রবদি ঐ শাথিনা অৱাবা নংলমগনি।

হন্দক্কী থা অমসি ঐ মতৌ করমহায়না লেনখিবনো ঐ ৱাখল অমা তাহৌদ্রে। ঐগী খূৎতা লিশীং অনী চৎপা অনী লৈজে। অমদি কাংজাই ফুজাই অদুম লোইশিনখি। অচোইবা লৈতে হায়দুনা লুপা ৫০০/৫০০ গী লৈদুনা অদুম লোইশিনখ্রে। থুম লৈরসু বেগ ওইনা লৈবগী ফীভমদা। লৈবুদি লৈদে ৱাখলবু হায়জরিবা। লিশীং চৎপী অমা লেমহৌবদুনা ইমান্নবা অমনা চামা চৎপী কুন পীবিরক্তনা ঐ অৱাবা কোকখি।

চামঙা চৎপী লিশীং চৎপী চৎনদ্রে হেক হায়বগা অদুম কুন্মে হৌরে। ময়ামসু চৎনদ্রে হেক হায়বগা অদুম লৱাই শাৎখ্রে। চৎনদ্রে হায়জরসু বেঙ্কতা থমজিনবা য়াই হায়বগা লোইনা কাউনখ্রে। দুকান্দারশিংনা মরোল অমা অচোইবা লৈতেদা হায়, লৈতেদা হায়। বেঙ্কতা থমজিন্নখ্রিবনা লুপা ৫০০ চৎপী, লিশীং চৎপী, মপান্দা লৈহৌবা চামা চৎপী, য়াঙ্খ্রে চৎপী লৈত্রে লৈত্রেদা হায়। চামঙা চৎপী পীশিনবদা চামঙাগী লৈয়ু, চামরিগী পোৎ লৈয়ু হায়। লিশীং চৎপী পীশিনবদা লিশীংগী পোৎ লৈয়ু হায়। অচোইবা লৈতে লৈতেদা হায়, মীনা পীবা অচোইবদি পঙলৌদা লৌশিল্লি অদুগা মখোয়রোমদগীদি লুপা ১০ চৎপী অমফাও লৈত্রবগী মওংনি। অচোইবা লৈত্রবদি অদুম লৈতবগী থবক তৌরোদনা অদুসু নৎতে চামদা কুন্থ্রা ককপীদা ওইরদি অচোইবা ঙাক্তা অদুম ঙায়খ্রে। হৌজিক অচোইবা লৈতবা লৈতে। অচোইবগী ঈফুৎ অমা লৈবদৌনা অদুম তৌরে। ঈফুৎ মপান্দা তাহৌদবগী অৱাবদু তারে ঐখোয়না।

অমরোমদা, বেঙ্কতা শেল থমজিল্লু থমজিল্লু হায়দনা ঐনা লৈজবা চামঙা চৎপী, লিশীং চৎপী কুনমরুম অদু মোম্পাক মখাদগী খোমজিল্লগা বেঙ্কতা থমজিনজরে। লুপা লিশীং তরামুক্তু অদুগদি অমুক লৌথোকপা য়াদ্রে। লিশীং অনী চৎপী অমমম হন্দোরক্লে, অদুসু য়াম ৱানা পুং মরিগা ক্যুদা লেপ্পগা। নহান নোংমা মিনুথোংদা ক্যু লেপ্পদি পুং মরি চঙনা লেপ্পী। ক্যু লেপ্পা মীগী অৱাবা ক্যু লেপ্তুবা মীনা খঙবা ঙমলোই।

কমলাক চোক্তুনা ফল্লাংদা ঙার ঙারগা খাঙজে। অদুক কুইনা লেপ্পগা করি ফংই, লিশীং অনী চৎপী অঙাংবী অমা। অদুসু চৎতবী শেলগা চপ মান্নে। অমদা পোৎ লৈগে হায়রুই, অচোইবা লৈতে। অমদমুক হংলুই, অচোইবা লৈতে। অচোইবা হায়বসি সুকলৈ লৈরক্তৌগা মান্দে। অদুনদি লিশীং অনী চৎপীদু খূৎনাং চারগা অদুম লৈরে।

মথং এ টি এম লেপ্পদা লিশীং অনী চৎপী পীব্রা হংলে। পী হেক হায়রকপদা অদুম হন্না য়েংলমদ্রে। মতম অসিদা মীচম ঐখোয়না নোংমদা তঙাইফদ্রিবা অসি চামা চৎপী তরামুক্তনি। ঙা, থুম, থাউ লৈবফাও য়াশিল্লক্ত্রে। লুপা ৫০০ চৎপী, লিশীং চৎপীনা বেঙ্কতা লোইনা থমজিনখ্রে। লুপা ৫০ চৎপী, চামা চৎপীনা শেন্দোয় চাবা কাঙবুনা লোইনা লোৎখ্রে । শোমদদি গাড়ী নুংশিৎ তারকপদা লিশীং অনী চৎপী পীশিল্লবনিনা ফোৎপীয়ু য়াদ্রে। কিলোমিটর ৭/৮ খোঙনা ইল্লগা য়ূমদা হনবগী ফীভম লাক্লে। সিগী মওং অসি কনানা খঙবীনি। ঐখোয় মীচম্না অসুক ৱারিবা অসি করম্বা চীফ মিনিষ্টরনা মশাদা পান্দুনা খঙবা ঙমগনি।

অমরোমদমুক য়ু সী এমনা অমুক ইকনমিক ব্লোকেদনি হায়দনা পেট্রোল ফংহন্দ্রে, হৱাই, চেঙৱাই পুশিলহন্দ্রে। পুশিল্লকপা খরা অদুসু মমল তঙ্খায় তঙ্খায় হেনগৎনা অমুক য়োনবিরে, শোমদনা লুপা ৫০০ পীশিল্লে চামঙাগী পোৎ লৈরো হায়রে, লিশীং পীশিল্লে লিশীংগী লৈরো হায়রে, লিশীং অনী চৎপী পীশিল্লে, লিশীং অনীগী পোৎ লৈরো হায়রে। সিদি কারবার ৱালাদং হিংলগা মী অতৈ শিরো হায়বগা চপ মান্নরে।

অমুক্তা য়ৌখিদ্রিবা মওংদা পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৩০০ হানখি। লায়বক ফখি ফংহনবীখিবী মোরা ফম্বীশিং মখোয়নদি খঙলিনি মণিপুরগী পেট্রোল থোকফম। অসুম্না অৱাবগী মথক্তা অৱাবা হাপ্তুনা হৌখিবা থা অমরোমসি নোংলৈ নুংশিৎতা ৱা পাম্বীনা খাঙবদৌনা খাঙখি। মীয়াম্বু কনবীনবা কনা লৈখিদে, লৈঙাক হায়বা ৱাহৈ অসি মী ফুনবা য়েংদুনা লৈবা, য়াম হৈশিংবা মী অমা ওইনা লৈখি। হায়রিবা ফীভম অসিসু হৌজিক লোইদৌ মান্দে, দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেল্লবসু হেলোই তরেৎ লাক্লবসু, করি হায়দৌরিনো খঙদে ইশা ইশানা ৱাখল চোইরক্তনবা লাক্লসি।

---

# থৌওইনা থৌ থিরিবা

**— নবকুমার ওইনা —**

*‘ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবা’* হায়রিবী নুপী ময়াম অমা অসিৱাইদা লৈরম্বা য়ারিবনি। অদুবু পূন্না মহারানি ওইবা ঙম্বী তরামরিমুক্তং লৈরম্লবদি এম এল এ হুম্ফুগী মনুংদা নুপীগী কোটা হেক্তা য়াম্বা য়ারিবনি। মদু ঙমদবদগী লৈবাকসি নুপীনা মাঙহল্লিবনি হায়নবা য়াওরিবনি। নুপী অমা অনিখক্লা করি তৌনরুগনি। মদু চুমদ্রবসু চুমদনা লৈবাক মাঙবদি নুপীনা মাঙহনবসু য়ারিবনি। খুন্নাই অমগী মিংশেলসি নুপীনা ওইরিবনি। চীংদনা হেন্না নুপীশিংসি থবক কনখ্রে। এম এল এ ওইবদি ঙমদ্রে। খুন্নাইসিগী নুপা মশীং হন্থরকপদগী লমদমসিগী নুপীশিং মপান লমদা ময়ূম পানখিবা, লমদমসিগী নুপা ফত্তবগীসু ওইবা য়ারিবনি। মসি থৌওইনা থিগৎপা অমা তঙাইফদনা চঙই।

রাইট মান্নদ্রিঙৈদদি মাঙহনবগী থৌদাং লৌরমদ্রবসু রাইট মান্নহনবদগী নুপীদবু লোয়না থৈজিল্লক্লে। নুপী ময়াম্না ভোট পীরগা নুপী য়াম্না ভোট লেপত্রিবা করিগীনো? নুপী খুন্নাইসি ইরাবতনা শেমগৎপা হায়গদ্রা শেমদোকপা হায়গদ্রা শেম্বা য়াবা শেমগৎলম্লবনি। থৌদাংদা পংলৌদা লৌবা থবক্তি ওইদবা হায়বা তারক্লে। নুপীনা নুপীদা ভোট পীনিংদে, নুপীনা ভোট পীবা হৈত্রবদি লৈবাক অদু য়াদ্রিবনি। থবক তৌবদি নুপানা অয়াম্বা তৌবনি। নুপাশিংদা নুপীশিংনা হায়রুবসি য়েৎপা ওইনা লৌনরি। নিংথৌরোল হাক্তক্তগী নুপীনা হায়ববু নুপানা কয়া য়াম্লা লৌনরম্বগে? মদু নৎত্রবসু নুপীনবু লৌবা য়াবা ৱাবু কয়া য়াম্লা ঙাঙনরবগেনে? অমা অনীগী ৱাদুদি ৱা নত্তেদা, পূম্নমক নুপীদা লৈরে হায়নরিবনি।

নুপীনা পোক্তবা নুপা লৈরমগদ্রা? মমানা হায়বা ইন্দবা মচাদি ময়াম্লি। মচা ৱারক্তবী নুপীসু ময়াম্লি। অদুনবু চীং-পাৎ খাক্তুনা লম্বী থৎপা, পৈশা মুনবা, লৌরি চৎপী ফিঙাং ইনবী ময়াম য়ামখৎলক্লিবনি। নুপীদি নুপীনা ৱারকপা ইন্দে, অদুনবু রেষ্টুরেন্ট য়ৌনরক্লিবনি। নুপাসু নুপীনা ৱারকপা য়াদে, অদুনবু লম্বী থিংবদা নুপী ময়াম্না থিংবা ঙমদ্রিবনি। নুপীশিংনা লম্বী থিংবদা য়াওশিল্লিবদুদি নুপীসি নুপানা হায়বা ইনবগীনি। হায়বা ইনবা নুপীদি অফবা নুপীনি হায়নরিবনি। ফগে ফৌ, ফরোই তোকউ, ফৈ হায়হন্নবা তৌবগী ৱা ঙাক্তনি। মদুনা অচুম্বদি নত্তে।

বামোন ওংবী নুপীশিংগা, পাঙল ওংবী নুপীশিংগা ৱাখল মান্নদে। বামোন ওংবীনা হিন্দু ওইখি, পাঙল ওংবীনা ইস্লাম ওইখি। ফুরুপসি থুগায়বদা ফুরুপকী নুপীশিং য়াওশিল্লক্লি। ময়াংদসু ওংখ্রি। খৃষ্টান ময়াম য়াওশিল্লক্লি। বহাই, ব্রহ্মকুমারী, শাই লাৎপা, লাক্কদৌরিবা অনৌবা লাইনীংদসু অদুম য়াওনখিনি। থৌওইনা তৌনরিবনি। নুপীশিংদু মাঙখিগদৌবদি নত্তে।

অৱাদা লৈবা মীতৈশিংদি অয়াম্বনা ফুরুপ ওনখ্রে। লমদমসিদনা মীতৈ পাঙল নুপাদি ইস্লাম ওইনা লৈ, পাঙল ওংবী নুপীসু ইস্লাম ওলহল্লি। আৱা মীতৈদি মীতৈনিবু হায়দে, মণিপুরী হিন্দুনি হায়রি। কসে নৎত্রগা মীতৈ কৌরবদি কোটা ফংগনি। মমিং চুমদ্রবদি মুৎপা মশানা তাবনি। মুৎনবা শাজৎ চৎলগা মুৎপা হায়বদুনি। মণিপুরদসু মুৎশিল্লক্লি, থিংবা ঙমগদৌবা মান্দ্রি। হিংবা ঙমগদৌবা শাজৎপু ইচৎ চৎনদ্রি, শাজৎ চুম্ববু ইয়াও য়াওনদে হায়বনি। শাজৎ হায়রিসে ৱাখল লৌশিংগী ৱাদুনি। খঙদনা খঙবনি হায়বা য়াবা নত্তে, মুত্থরক্লিবা অসিনি। ইচা য়াম্না পোক্লরগুমসি হায়নবা লৈরবা মতমসিদা হিকু থুবমখৈ ইচা পোক্লগা লম কনগনি হায়বা লৈনরি।

ইন্দিয়া মনুংদসু মীতৈসি মমিং চুমদবা ময়াম য়াওরি। মিংগী মমৈদা মীতৈ তপ্পসু য়াওরি (মীনদি তৌনদ্রবনি), কছারদা লৈরগা মণিপুরীনি হায়বা য়াওরিবনি। পঙবা নৎত্রগা মরৌশিং য়াওদবগী ওইফম থোকই। প্রোব্লেমসি লৈঙাক্লা নত্তে, ৱাখলননি, মশা-মশাননি। ত্রাইবেলনা ত্রাইবেলনি হায়বা খঙজদবশিংগী মরক্তা মীতৈসু অমনি। থৌওংসি লানবা চুম্বা থিগৎনরগা চুমথোকপা য়াবা থবক্লি। অথিংবা লৈবা নত্তে। ঙম্বা ঙমদবগী ৱাদুনা মশাগী মঙমদা লৈবা ৱানি। চৎনরসি হায়না ইশানা শেম্বনি হায়নরিবনি। লোদি ইন্দ্রবসু য়াই খন্নরে, লোদুনা চৈরাক পীবসু ঙম্মী হায়বা খঙদ্রবদি লাল্লিবসি মীদুরা, লোদুরা? ৱাথোকসি মীদুরা, লোদুরা হংনরকপা তাবনি। মীনা লানবসু ময়াম লৈ, লোসু লানবগী শেমদোক্লরিবনি। পূম্নমক মীদা লৈরে।

লৈবাকসি নিংথৌ পান্দ্রে হায়বসি খঙনদবগুম নিংথৌ শাজৎ চৎপনা য়ামশিল্লক্লি। দেমোক্রেসি করিনো খঙদবসি অঙাংদগী অহল ফাওবনি। লুচিংবশিংনা হেন্না খঙখিদ্রে হায়নরবনি। সুপ্রিম কোর্টনা য়াদবা লম্বী থৎপদু অদুম তৌগনি হায়বসি লো খঙবা নত্তে। খঙদবা শাবনি, খঙলিবনি, লো ঙাক্তবনি, মঙক কল্লিবনি। লোদু শেমদোক্ত্রিঙৈদদি চৈরাক অদুম ফংবা তাবনি। থৌ লৈতনা থৌ থিবনি, পঙবগীনি অদুম হায়বা তাবনি। নিংথৌ পান্দ্রে হায়বসি খঙশিন্নদবনি, নিংথৌ শাজৎ চৎলিবনি। দেমোক্রেসিদদি লমগী মপু লৈঙাক্লি।

ঙাওশিন্নবশিং থিংনবা থবক হায়বা লৈফম থোক্তে, লো ওইনা অদুম লৈজবা ৱানি। তৌগদৌবদু তৌরগা লোইরে। ৱাথি-ৱানায় ওইনা লাউনবিয়ু হায়বা লৈতে। তৌগদৌবদু তৌবা হৈতবনি, হৈবশিংনা মথৌ থিদবনি। থৌওইনা থৌ লৈতনা থৌ থিবশিংনা তৌগদৌবসু নত্তে। থৌ পায়রিবশিংনা মথৌ খঙনা অদুম তৌগদৌবনি। মখোয়না মথৌ তৌদ্রগা মী অমনা মখোয়গী থবক্তু তৌরুবা য়াবা নত্তে। মখোয়না পাড়া ফাদ্রগা থবক্তু অদুম ওইদবা মশানা তাবনি। ৱা থোক্লিবদু পঙবগীনি হায়গনি। অপঙবনা লাল ওইনবা হায়বদুনি, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙায়বা হায়বদুনি, ভোট ফাওবা শিবা ঙায়বা তাবনি।

থৌওইনা থৌ থিরিবশিংনা তৌগদৌবসি মীগী মথৌদু তৌগদৌবা নত্তে, ইশাগী ইথৌ থিগদৌবনি। ৱা থোক্লগনা করি তৌগনি থিবা তাবনি। ৱাথোক্তুদা য়াওশিনগদৌবা নত্তে, ইথৌ খঙদ্রগা মীগী মথৌ তৌশিল্লুবা লানগনি। মীগী মথৌদু লাল্লি চুম্মী লাউদুনা লৈরিঙৈ ইশাগী ইথৌদি চুম্না তৌদে। থৌ লৈতনা থৌ থিরুবরা হায়ববু লাল্লবদি ফুদিত্তা মাঙজোং চোঙবা তাগদৌরিবনি, থবক্তু ওইরোইদৌরিবনি।

থৌওইনা থৌ থিরিবশিংদা অহলশিং য়াওরিবনি। থবক খরদি মখোয়না পায়শিনবা হায়বা তারে। অহল শাবা হায়বসিদি মচা-মনাওদা থবক শিন্নবদুনি। অহল শারগা শুপ্পায় পায়শিন্দুনা লৈবসি নত্তে। হনুরবা, ময়া য়াওদ্রবা ময়াম্না থবক পায়নিংবদগী শিখাঙ খাঙবা ময়াম উরি। কাঙলোন লান্না থবক ফাজিনবা, ৱার্ক ওর্দর য়াওদনা থবক শুজিনবা য়াওইকাক হায়নরিবসি থৌ লৈতনা থৌ থিরিবনি। শুপ্পায় পায়শিনবসি হেঞ্জিন্না থৌ থিরিবনি। মিনিষ্টরশিংগী ৱাঙাঙসি লৈশেম্বা লাইদুকাক মাল্লকপা য়াওরক্লিবনি। দেমোক্রেটিক ওইবা সেন্টেন্স অমগা মোনার্কিক ওইবা সেন্টেন্স অমগা য়াম্না খেন্নখ্রপোৎনি। লাই মান্নবা ঙাঙবদি মীনা তানিংবা নত্তে, মথৌ নত্তনা থবক ফবা শারিবনি, চেঙ য়েল্লিবদুনি।

চৌক্রি মুন্নবগী ৱাথোক ময়ামসি কাঙলোন চুম্না চৎপা ঙম্নদবদগীনি। কাঙলোন খঙদবা মীনা ৱায় চায়বদগী ৱাথোক য়াল্লিবনি। রিটয়ার তৌরবা মী ময়াম থবক মখা তানা তৌহল্লিবসি লমদমসিগী মীওইবা খুন্নাইবু মীরোল থুংদবনি হায়বা উৎলিবনি, চোপ্পবা শিল্লিবনি, মীরমচৎ নত্তে, থৌ লৈতনা থৌ থিরিবনি। চৎনবী ওইখৎলক্লিবনি, দেমোক্রেসি নত্তে হায়বা উৎলিবনি। অখঙবা শাবা, লেম্বা শাবা, অঙম্বা শাবা, মীগী হক মৎপা, লৈবাক মচা তাদবনি। ঐখোয়গী শক্তম হায়বদু মসিদা লোইরে।

মীওই অমনা অহৈবা শাবসি নত্তবা শোয়রিবা ময়ামসি শেমদোক্লবা থৌওইনা থৌওং অমা থিবা চুমগনি। থিনদবদি নত্তে, থিনরিবনি, লাল্লবরা হায়বগী চিংনরকপদুনি। মীসিবু হুই মমৈদৌনা চুমথোকপা য়াগদ্রনে? জেলদগী থোক্লকপগা হুরানবা অমুক হৌখিবগী ৱারীদি অনৌবা নত্তে। লোনা চৎনদে, লোদি মীওই খরগী শান্নপোৎনি, লাইরিক ওইনা ইমুং খরদা লৈজবা পোৎনি। ঙরাং নহান্দা শোরোক্তা থোক্লকপদা ঙায়রি। এসেমব্লিনা লো শেম্মী হায়বগী ৱানি, এসেমব্লিনা লো ফজনা খঙনপোৎ নত্তে, ৱাথোক ময়াম লৈরিবদুনি। চহী মঙা মঙাগী মীনৌনা লো লোয়না খঙবা ঙম্নদে, খঙনদ্রিবসিনি।

মীয়ামসি চুংশিন্নবা, ৱাখল্লোন ময়ামসি পুনশিন্নবা অমা চঙই। পুনবা হৈতবসি মথৌ খঙদবা হায়বদুনি। খন্থনরুদবগী ৱানি, পুল্লিবনি, মওং চুমদবগী ৱাতানি, পাউ ফাওনদবগীনি, তম্বীদবগীনি, থৌওইনা থৌ থিবা তনবগী ওইবসু য়ারিবনি। থৌ লৈতনা থৌ থিবগা, থৌওইননা থৌ থিবগা মান্নফম থোক্তে, মান্নদে। মসি লাইখায় তানদবগী চয়েৎ-খোয়েৎনবা য়াওনরক্লিবনি। ৱাথোকশিংসি থবক্লা নত্তে, কোক্লনি, ৱাখলননি, মীনা নত্তে, খঙলিবা ৱা ৱাদু মান্নদবা, পাউ ফাওনদবদগীনি। টেলিফোনগী মতমসিদা য়ূমথংনবগা পাউ ফাওনবা ঙম্নদে। চিঞ্জাক্লা নত্তে, য়ূম্নাক্লা নত্তে, ৱাখল্লোন মান্ননবা হোৎনহৌদবদগীনি, থৌওই ৱাওইহৌদবদগী থোক্লিবনি। লাই নীংবদি থৌওইনা লৌবা, মী ইন্থোকপদি থৌওইনা খলহৌদবগীনি। হৌজিক্তি থৌওইনা তৌদবা য়াদবা থবক ওইরক্লে। লাইনা নত্তে, লাইনীংনা য়ারোই।

মী নুংশিবা ঙম্বা, মীনা নুংশিহনবা হৈবা, মী তিন্নবা হৈবা তঙায়ফরক্তবদুনি। মদুদা অচুম অরান হায়বা লৈতে, য়ানবদুনি। মদু খঙবা ঙমদ্রবা মীদুনি লাল্লিবসি। থৌওইনা থৌরাং অমা তৌবা ঙমদ্রবদি থৌ লৈতনা থৌ থিবা হায়বদুনি। ভোট লেপ্পরিবসিদি লৈবাক শেম্বা হৈরনি হায়না থোক্লকপা মান্দে, কতন লাই চুবদগী হুমাং থোক্তনা পৈশা পায়রগে খনবনা অয়াম্বা মাল্লক্লি।

থৌদাং লৌদবা মীনা য়ামশিল্লকপা, ৱাথোক য়াম্বা তারকই। থৌ লৈতনা থৌ থিরিবশিংসি থৌওইনা থৌদাং লৌরিবশিংনা ঙমফম থোকই, ঙমদবা য়াদবনি, লাকশিনফম থোকই। থৌদু তৌবদা কিফম থোক্তে, শিফম থোক্তে, লাইদা হংগদৌবা নত্তে, লাই লাৎত্রবসু য়াগনি, লো লাৎকদৌবনি, ঙাক্কদৌবনি।

থৌওইনা থৌ থিবদা ইপা ইপুগী ৱা, পুয়া থিরুবা হৌনদে, ইপা ইপুদি পুল্লম্লিবনি, থৌদাংদু লৌরম্লিবনি। ৱাসি ফাগী নত্তে, থৌওইনা থিরগা খন্নবা তঙায়ফদবনি।